## গ্রেন দিলগী মখাদা য়ুক্রেননা চিঞ্জাক্কী পোথোক টন মিলিয়ন ১.৭ এক্সপোর্ট তৌখ্রে

কিভ, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):

মরু ওইবা গ্রেন দিল অমগী মখাদা য়ুক্রেননা মপানদা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং থাদোকপগী চাং অসি হৌখিবা ওগষ্টতা টন মিলিয়ন ১.৭ য়ৌখি হায়না লৈবাক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা দিল অদু চৎনবা হৌখিবদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি অতৈ চিঞ্জাক্কী পোথোকশিং থন্না য়াওবা ভেসেল ৬৮ য়ুক্রেনগী ব্লেক সীদা লৈবা পোর্টশিংদগী লৈবাক ১৮ পাঙখি।

থা অসিদা মপানদা চিঞ্জাক্কী পোথোক টন মিলিয়ন ৮ লোম য়োন্ননবা পান্দম থম্বগী মনুংদা টন মিলিয়ন ৩ দি সি রুটশিংগী খুথাংদা সপ্লাই তৌগদৌরিবনি। রসিয়ানা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী য়ুক্রেনগী ব্লেক সীদা লৈবা মরু ওইবা পোর্টশিংদা মীৎয়েং চঙনরকখি। পোর্টশিং অদু লান অদুনা মরম ওইদুনা থা কয়া ব্লোক তৌবদগী চিঞ্জাক্কী আইটেম টন মিলিয়ন কয়া লৈবাক অসিদগী পুথোক্তনা লৈখিবনি।

হৌখিবা জুলাই ২২ দা য়ুএননা ৱাতেমদুনা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা দিল অদু টর্কিগা লোয়ননা খুৎয়েক পীনদুনা য়ুক্রেনগী চিঞ্জাক্কী পোথোকশিং ব্লেক সীদা লৈবা পোর্ট অহুমদগী এক্সপোর্ট তৌবা য়াহনখিবগা লোয়ননা মালেমগী চিঞ্জাক্কী মার্কেটশিংদা লৈরম্বা প্রেসর হন্থহনখি।

দিল অদুগী মখাদা লিংখৎখিবা ইষ্টানবুল কোওর্দিনেসন সেন্টরনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা হায়খি, মদুদি হৌজিক ফাওবদা ব্লেক সী রুটকী খুথাংদা হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি অতৈ চিঞ্জাক্কী আইটেম টন মিলিয়ন ১ এক্সপোর্ট তৌখ্রে।

পুন্না জহাজ ১০৩ য়ুক্রেনদা লাকখি নত্তগা লৈবাক অসিদগী চৎখি। হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা হৱাই চেঙৱাইশিং পুরিবা অহানবা কার্গো ভেসেল অদু য়ুক্রেনগী ওদেশা পোর্টতগী লেবাননগী পোর্ট ওফ ট্রিপোলি পাঙখি।

## নাইজেরিয়াগী অৱাং থংবা ষ্টেটতা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীওই ৫৬ শিরে

লাগোস, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):

হন্দক্তা নাইজেরিয়াগী অৱাং থংবা ষ্টেট জিদাৱাদা ঈশিং ঈচাও চাওনা থোক্তুনা লন-থুম অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৬ শিখ্রে অমদি অতৈ মীওই লিশিং মরি হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়না ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

জিগৱাদা ষ্টেট ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী হেদ য়ুসুব সানি বাবুরানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা মেদা নোংজু থাগী মতম হৌখিবদগী নোং কন্না চুবদগী থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাওনা ষ্টেট অসিগী লোকেল এরিয়া ২৭ তা য়ুম, ফামগী লমশিং অমদি মহৈ মরোংশিং মাঙহন তাকহনখি।

হৌজিকসু ঐখোয়না মখা তানা ঈশিং ঈচাও অমদি নোংগা মরী লৈনবা অতৈ মহৌশাগী খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নরি হায়না বাবুরানা ফোনগী খুথাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোক্লিবদুদা মীওই ৫৬ কী পুন্সি লোমখ্রে অমদি মীওই লিশিং মরি হেন্না ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌরি। হৌজিক ফাওবদা ঈশিং ঈচাওনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবশিং অদুগীদমক্তা ওথোরিটিনা কেম্প ১৬ শেমগৎলে হায়না পল্লদুনা ওফিসল অদুনা ফেদরেল গভর্ণমেন্ট, দোন্নরশিং অমসুং ইন্দিভিজুএলশিংদা ঈচাওগী ভিক্তিমশিংবু মতেং পাঙননবা আপিল তৌখি।

চৈরকসিদা লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং সোসল মেনেজমেন্টনা ঈশিং ঈচাওনা মাঙহন তাকহল্লবশিং অদুগী এসেসমেন্ট অমা লৌননবা অমদি ষ্টেট অদুগী ঈচাওগী চৈথেং নঙলবা মীয়ামদা খুদক্তা তেঙবাংগী পোৎলমশিং ফঙহন্নবা নেসনেল ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

## নোর্থ ষ্ট্রিম ১ পাইপলাইনদা গ্যাস পীবা মতম কক্তনা লেপ্লগনি

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):

মরু ওইবা ইক্বিপমেন্ট পিচ অমদা প্রোব্লেম লাকপনা মরম ওইদুনা নোর্থ ষ্ট্রিম ১ পাইপলাইনগী খুথাংদা জমর্নিদা রসিয়াগী গ্যাস সপ্লাই তৌবা মতম কক্তনা লেপ্লগনি হায়না রসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা গ্যাস প্রদ্যুসর গাসপ্রোম্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নুমিৎ হুম্নি চথরকখিবা মেন্টেনেন্সকী থবক লোইরবা মতুংদা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা অমুক হন্না পাইপলাইন অদুদা গ্যাস থাবা হৌগদবনি। অদুম ওইনমক পাইপলাইন অদুদা লিক অমা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা থেংনখি। মদুনা মরম ওইরগা ইরোই লোইবা গ্যাস টর্বাইন অদু সেভ ওইনা ওপরেট তৌবা ঙম্বগী ফিভম উদবদগী পাইপলাইন অদু ইক্বিপমেন্টগী অশোয়বা পুন্নমক শেমদ্রিবা ফাওবা থিংজিনবা মথৌ তাখি। শেমজিনবগী থবক অদু মতম কয়াম কুইনা চঙগদগে হায়বা খঙবা ঙমদে।

গাসপ্রোমগী মতুং ইন্না ইক্বিপমেন্ট অদু মথৌ তৌবা ঙমদবা অদুনা গ্যাস টর্বাইন ইঞ্জিন নীংথিনা অমদি সেভ ওইনা মথৌ তৌবা ঙম্লোই হায়না রসিয়াগী ষ্টেট টেক্নোলোজি এন্দ ইকোলোজি ৱাটচদোক রোষ্টেক নাজেরনা ৱার্নিং পীরকপদগী খোঙথাং অদু লৌখৎলকপনি।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী চীফ স্পোক্স পার্সন ইরিক মামেরনা গাসপ্রোম্বু মরম চাদনা গ্যাস সপ্লাই লেপহল্লি হায়না মরাল শীখি। গাসপ্রোম্না মতম কক্তনা গ্যাস সপ্লাই লেপহনখ্রবা মতুংদা জমর্নিগী মিনিষ্ট্রি ফোর ইকনোমিক এফিয়র্স এন্দ ক্লাইমেট এক্সন (বি এম দব্লিয়ু কে) না চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাই ফদবা কয়া লৈরে হায়খি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়খিবদা গ্যাস মার্কেটতা লৈরিবা ফিভম অদু নুংঙাইবা ওইদে। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী গ্যাস সপ্লাইগী সেক্যুরিটি গরেন্টি তৌরি। মিনিষ্ট্রি অসিনা রসিয়াগী ইনর্জিগী মীপান তাংদনবগী থৌরাংশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌরি।

বি এম দব্লিয়ু কেগী মতুং ইন্না জমর্নিগী গ্যাস ষ্টোরেজ ফেসিলিটিশিং হৌজিক চাদা ৮৪.৩৪ ওই অমসুং লৈবাক অসিনা চাদা ৫৬ ষ্টোর তৌবা হায়বা ওক্তোবরগী টার্গেট অদু সেপ্টেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা য়ৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

## য়ুএসনা টাইৱানদা দোল্লর বিলিয়ন ১.১ গী খুৎলায় য়োনবগী থৌরাং এপ্রুভ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):

য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা এন্টি-শিপ মিসাইল ৬০ অমসুং এয়র-২-এয়র মিসাইল ১০০ য়াওনা টাইৱানদা দোল্লর বিলিয়ন ১.১ গী মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট য়োনবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা পেন্টাগোননা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা হৌখিবা থাদা ঈথৎ অদুদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা চাইনানা টাইৱানগী অকোয়বদা মিলিটরি দ্রিলশিং কন্না পাঙথোরকখিবা অদু য়েংদুনা য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা পেকেজ অদু লাউথোরকখিবনি।

টাইৱানদা য়োনবা য়ারগনি হায়না এপ্রুভ তৌরবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা দোল্লর মিলিয়ন ৫৫.৬ কী ওইগদবা সাইদৱিন্দর মিসাইলশিং অমসুং মরী লৈনবা ইক্বিপমেন্ট, দোল্লর মিলিয়ন ৩৫৫ রোমগী ওইগদবা হারপুন মিসাইলশিং অমসুং দোল্লর মিলিয়ন ৬৬৫ গী ওইগদবা টাইৱানগী সর্ভিলেন্স রাদর প্রোগ্রামগী সপোর্ট অমদি মরী লৈনবা ইক্বিপমেন্ট য়াওরি হায়না পেন্টাগোনগী দিফেন্স সেক্যুরিটি কোওপরেসন এজেন্সিনা হায়রি।

## ইরানগী ন্যুক্লিয়র দিল হিংগৎহনবদা কন্দিসন লৈহন্দনবা হ্বাইট হাউসনা সজেসন পীখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):





কুমজা ২০১৫ গী ইরান ন্যুক্লিয়র দিল হিংগৎহনবা অমসুং ন্যুক্লিয়র ৱাটচ দোকনা চথরিবা প্রোবশিংগী ৱারোইশিনগী মরক্তা কন্দিসন অমত্তা লৈহল্লোইদবনি হায়না হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি কেরিন জেন-কেরিনা সজেসন পীখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা জেন-কেরিনা জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান ওফ এক্সন (জে সি পি ও এ) হায়না খঙনবা দিল অমদি নন-প্রোলিফরেসন ট্রিটিগী মতাংদা ইরাননা তৌফম থোকপশিং তৌরিব্রা নত্তগা তৌদব্রা হায়বগী মতাংদা পল্লদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না লূচিংদুনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনশিং অদু পোলিটিক্সকা মরী লৈনদে। মদুদা মন্তিক্নবা য়ারোই। আই এ ই এনা নিংতম্না থবক তৌবগী ৱাফম অসিবু ঐখোয়না অহোংবা লৈতনা শৌগৎলি। অফোঙবা সেফগার্দ ইস্যুশিং য়াওদনা জে সি পি ও এদা হল্লকপনা ফগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

মসিগী মমাঙ ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা ইরানগী ন্যুক্লিয়র নিগোসিএসন টিমগী এদভাইজর অমা ওইরিবা মোহম্মদ মরান্দিনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা করিগুম্বা য়ুএসনা অচুম্বা ৱারেপ লৌবা তারবদি নিগোসিএসন অদু থুনা লোইবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ন্যুক্লিয়র এগ্রিমেন্টগী দ্রাফট অমগী মতাংদা ৱাশিংতন্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী পাউখুম টেহরাননা পীখ্রবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেন নাসের কনানিনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখিবা মতুংদা মরান্দিনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি ইরাননা হান্না থাজবা পীখিবগুম রেস্পোন্দ তৌখি। হৌজিক্তি য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী টিম্না হিরম অসিদা ৱারেপ অমা লৌগদবনি।

সবমিট তৌখিবা টেক্স অদু নিগোসিএসন ফাইনেলাইজ তৌবগী পান্দম য়াওবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাংনি হায়না কনানিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী খুথাংদা ইরানগী রেস্পোন্স ফঙলে হায়বসি য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা কনফার্ম তৌখি। নোংচুপলোমগী মেদিয়া আউটলেট খরনা দিপার্টমেন্টগী স্পোক্স মেন অমনা পল্লদুনা হায়খি, মদুদি য়ুএসনা ইরানগী রেস্পোন্স অদু ষ্টদি তৌই অমসুং ঐখোয়নসু ইয়ুগী খুথাংদা পাউখুম পীগনি। তৌইগুম্বসুং মদু পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা পাউখুমনি হায়না ঐখোয়না লৌদে।

মরান্দিনা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী ওইনদি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা হায়রিবসি য়ুএসকী টার্মশিংবু য়াবা অসিবু খঙনৈ। ইরানগী ওইনদি মদুগী ৱাহন্থোক্তি বেলেন্স অমসুং প্রোটেক্টেদ ওইবা দিল অমা উরকপা অদুবু খঙনৈ।

জেসিপিওএ অমুক হন্না হিংগৎহনবগী মতাংদা লৈরিবা ইস্যুশিংগী ৱারোইশিন পুরক্নবগী পান্দমদা হন্দক্তা ইয়ুনা পীখিবা প্রপোজেল অমগী মতাংদা ইরান অমসুং য়ুএসনা নাকোয়ননা মখোয়গী মীৎয়েংশিং ফোঙদোক্লরিবনি।

## জি ৭না রসিয়াগী থাউগী মমলদা পনখৈ লৈহল্লগনি

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):

জি ৭ গী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিংনা রসিয়াগী থাউগী মমলদা লিমিট অমা থম্বগী ৱাফম য়ান্নরে হায়না য়ুএস ট্রেজরি সেক্রেটরি জেনেট জেলেননা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরশিংগী ৱারেপ অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী অকুপ্পশিংদি ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিদে। য়েলেননা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, রসিয়াগী থাউগী মমলদা পনখৈ লৈহনবগী ৱারেপ অমা লৌবগা লোয়ননা মদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অসিনা জি ৭ না য়ুক্রেনদা চথরিবা লান অসিগা মরী লৈননা রসিয়াগী মরু ওইবা ফন্দিং সোর্স শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্লগনি।

মসিগা লোয়ননা রসিয়াগী থাউগী মমল হন্থহনবনা মালেমগী ইনর্জি মার্কেটশিংদা সপ্লাই নীংথিনা মেন্টেইন তৌবা ঙম্লগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি ঙসিগী এক্সন অসিনা য়ুক্রেনগী লানদা রসিয়ন ফাইনান্সশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি অমদি রসিয়ানা য়ুক্রেনদা মখা তানা লান শোক্নবা ঙম্বগী কেপাসিটি হন্থহনবগা লোয়ননা রসিয়ন ইকনোমিগী ফিভম হেন্না থুনা শোকচিলহল্লগনি।

ট্রেজরি সেক্রেটরি অসিনা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা রসিয়াগী থাউগী মমলদা পনখৈ থম্বগী ৱারেপ অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা ঐখোয়না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোৎননবগা লোয়ননা ঐখোয়গী জি ৭ কী মীচংশিংগা লোয়ননা অমদি ঐখোয়গী অনৌবা কোলিসন পার্টনরশিংগা লোয়ননা খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবগী মতম অদু ঐহাক্না থৌরাংনা ঙাইরি।

জি ৭ কী প্লান অদুবু ৱাহন্থোক লৈতবা করিমত্তা কান্নদবা খোঙথাং অমনি হায়রদুনা রসিয়গী প্রাইম মিনিষ্টর অলেকজেন্দর নোবাবনা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্কী লৈবাক্না থাউগী মমলদা পনখৈ লৈহনবগী ৱাফম শৌগৎলিবা লৈবাকশিং অদুদা থাউ নত্তগা পেত্রোলিয়মগী পোথোকশিং সপ্লাই তৌরোই। থৌরাং অদুনা মালেমগী থাউগী মার্কেটতা চাওনা চৈথেং পীগনি হায়নসু মহাক্না ৱার্নিং তৌখি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শেল থুম য়াওনা অথিংবা কয়া থমদুনসু রসিয়ানা হৌখিবা জুনদা মপানদা থাউ থাদোকপদগী লাক্লিবা রিভেন্যু অদু মমাঙ চহীগী চাংচৎকী লেভেলদগী চাদা ৪০ হেনগৎখি হায়বসি ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা উৎলি।

## ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা পাকিষ্টানদা য়ুএননা মখা তানা মতেং পাঙলি

য়ুএন, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):



ঈশিং ঈচাও পাক্তক্না থোক্তুনা অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা কয়া মায়োক্নরিবা পাকিষ্টানবু য়ুএননা চিঞ্জাক, অন্নবা ঈশিং অমদি অতৈ ইমর্জেন্সি রিলিফ আইটেমশিং পীদুনা মখা তানা মতেং পাঙলি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাই নুমিত্তা ন্যু য়োর্কতা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজকী এসোসিএট স্পোক্স পার্সন ইরি কানেকোনা হায়খি, মদুদি য়ুএন টিমনা হ্যুমেনিটরিয়ন পার্টনরশিংগা খুৎশম্নরগা মীওই ৩০০,০০০ হেনবদা চান থক্নবা পোৎলমশিং ফঙহনখ্রে অমদি মীওই ৫৫,০০০ গী থক্নবা ঈশিং ফঙহনখ্রে।

ঐখোয়গী কলিগশিংনা ঈচাওগী চৈথেং চাওনা নঙলবা জোনশিংদা হেল্‌থ মেদিকেল সার্ভিসেস ফঙহল্লিবা মোবাইল ক্লিনিক ১১ সু লিংখৎলে। লৈবাক অসিগী রিফ্যুজি কম্যুনিটিশিংগী চঙজফম পীননবা মখা তানা য়ুএন টিম অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন পার্টনরশিংনা টেন্টশিং, প্লাষ্টিক টর্পোলিন ব্লাঙ্কেটশিং, কুকিং ষ্টোভশিং, সোল্লর লেম্পশিং অমসুং স্লিপ্পিং মেটশিংগুম্বা ইমজেন্সি রিলিফ আইটেম ৭১,০০০ হেন্না শিন্নখ্রে।

কানেকোনা হায়, মীয়াম্না ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চৎপদা ফাওবা খুদোংচাদবা মরম ওইদুনা তেঙবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা মখা তানা খুরৌ থাঙলি। শাথিরবা ঈচাও অদুদা কিলোমিটর ৫০০০ হেনবগী লম্বী অমাঙ অতা থোকখ্রে।

স্পোক্স পার্সন অসিগী মতুং ইন্না পাকিষ্টানদা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাও অসিদা য়ুম মিলিয়ন ১.১ হেন্না অমাঙ অতা থোকখ্রে। মীওই ৪৭০,০০০ হেন্না কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। রেকোর্দ ওইবা মওংদা কুমগী নোং কা হেন্না কন্না চুবদগী পাকিষ্টানগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হেন্না ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা জুনদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং অমা হেন্না শিহনখ্রে। লোয়ননা মরু ওইবা মহৈ মরোংশিংসু পাক্তক্না মাঙহন তাকহনখ্রে।

চৈরকসিদা পাকিষ্টাননা মালেমগী ইকুই কুইদবা মতমগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওবা ক্লাইমেট চেঞ্জকী চৈথেং মায়োক্নরি হায়না থাংজ নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা লৈবাক অসিগী ফেদরেল মিনিষ্টর ফোর প্লান্নিং আসন ইকবালনা ফোঙদোকখ্রে।

## মাইগ্রেন্টশিংনা য়ুএস-মেক্সিকো বোর্দর লান্নবা হোৎনবদা মীশি মীনা কয়া থোকখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):



মাইগ্রেন্টশিংনা মেক্সিকো অমদি অমেরিকাগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দর লান্নবা হোৎনরিবা টেক্সাসকী মফম খরদা মীশি মীনা কয়া নঙখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা মাইগ্রেন্টশিংনা মেক্সিকো অমসুং টেক্সাস শম্নহল্লিবা বোর্দরগী তুরেল রিও গ্রান্দে লান্ননবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখি হায়না ইরাই নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না য়ুএস বোর্দর পেত্রোল এজেন্টশিংনা অশিবা হকচাং তরুক লৌখৎখি অমদি মেক্সিকান টিমশিংনসু মান্নবা মওংদা অহেনবা অশিবা হকচাং অনী থেংনখি।

য়ুএস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন (সিবিপি) গী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না টেক্সাসকী ইগ্গল পাসকী চিদাইদা চেল্লিবা তুরেল অদুদগী মাইগ্রেন্ট ৩৭ পুখি। য়ুএস টিমশিংগী ওপরেসন অদুদা মাইগ্রেন্ট ১৬ দিটেন তৌখি অমদি মেক্সিকান ওফিসলশিংনসু মাইগ্রেন্ট ৩৯ দিটেন তৌখি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্না লমদম অদুদা নুমিৎ কয়ানি নোং কন্না চুবদগী রিও গ্রান্দেগী ঈচেল কনখৎলকখি। ঈশিং চাওনা অমসুং য়াঙনা চেল্লকপা অদুনা মরম ওইদুনা তুরেল অদু লানবা মতমদা মরু ওইনা অঙাংশিংদা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা গ্বাটেমলাগী চহী মঙা শুবদা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা ঈরাক্নদুনা শিরম্বা থেংনখি। নুপীমচা অদু মহাক্কী মমাগা লোয়ননা রিও গ্রান্দেদা ইরোইদুনা টেক্সাসকী নোংচুপতা লৈবা এল পাসো য়ৌনবা হোৎনরিঙৈদা অঙাং অদু মমাদগী হাইদোকখিবদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

টেক্সাসকী মেব্রিক কাউন্টিদা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা তুরেল অদুদগী চহী অহুমদা ঙাইরিবা নুপামচা অমগী হকচাং লৌখৎখি হায়না কাউন্টি অসিগী সেরিফ টোম স্মবরনা ফোঙদোকখি।

তুরেল অদুদা থেংনরিবা অতৈ মীশিশিং অদু কা হেন্না ইংবা নত্তগা কা হেন্না শাবা অমদি চীংদগী তারকপা নত্তগা বোর্দর ৱালদগী তারকপা অমদি ওটোমোবিল এক্সিদেন্টশিংদা ওইবা য়াই হায়না লোকেল ন্যুজ আউটলেটকী কে এক্স এ এনগী রিপোর্টতা পনখি।

হৌখিবা জুনদা টেক্সাসকী মরু ওইবা সিটি অমা ওইরিবা সেন্ট এন্টোনিওদা অকায় অতোই নঙলবা ১৮ ৱিল্লর অমদা মাইগ্রেন্ট ৫৩ গী হকচাংশিং থেংনখি অমদি মদু ইকুই কুইদ্রিবা য়ুএসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা মাইগ্রেন্ট স্মগ্লিংগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

## কার্লিফোর্নিয়াদা লাম্মৈ য়াঙনা শন্দোরকপদগী মীওই লিশিং কয়া চেন্নখ্রে



লোস এঞ্জেলিস, সেপ্টেম্বর ৩ (এজেন্সী):

কার্লিফোর্নিয়াগী য়োসেমেটি নেসনেল পার্ক মনাক্তা একর ১৪,২০০ কী লমদা লাম্মৈ কন্না শন্দোরকপদগী মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিং থিদুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

কার্লিফোর্নিয়া দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ ফায়র প্রোটেক্সন (কার্ল ফায়র) গী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ওক ফায়র হায়না খঙনবা য়াঙনা শন্দোরক্লিবা শাথিরবা লাম্মৈ অদুনা য়ামদ্রবদা ইষ্ট্রকচর তরা মপুং ফানা মাঙহন তাকহনখ্রে অমদি নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লাম্মৈ অদু করিমত্তা লাকশিনবা ঙমখিদে।

মখা তানা দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়রি, মদুদি য়ুম অমসুং বিজিনেসশিং অনীমক য়াওনা মখা তানা ষ্ট্রকচর ৩২৭১ সু অথুবা মতমদা মাঙহন তাকহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। য়াম্না শাবা অমদি কংবা ৱেদরগী ফিভমশিংনা মরম ওইদুনা হৌখিবা জুলাই ২২ দা মারিপোসা কাউন্টিদা লাম্মৈ চাকপা হৌরকখি। মদু য়াম্না থুনা চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওবা লাম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি।

শাথিরবা লাম্মৈ অদুগী ইফেক্টশিংনা মরম ওইদুনা কার্লিফোর্নিয়াগী গভর্ণর কাদিম ন্যুসোমনা মারিপোসা কাউন্টিদা ইমজেন্সি লাউথোকখ্রে। ফায়র পর্সনেল লিশিং ২ হেনবনা গ্রাউন্দদগী অমদি নোংথক্তগী চাওরবা মৈরিশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগা লোয়ননা মীওই লিশিং তরুক হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়না লোকেল টিভি ষ্টেসন অমগী পাউদা পনখি। কাল ফায়রনা মসিগী ইনৌ নৌবা অপদেট অমদা হায়খি, মদুদি লাম্মৈ অদু অহিংগী মতমদা হৌজিকসু কন্না চাক্লি অমদি জর্সি দেল, দরা অমসুং বুদজেক তম্না শন্দোক্লি।

এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না লাম্মৈ চাক্লিবা মফমশিং অদুদা উ ৱা কয়া পাক্তক্না তুম্না চাকখ্রে। ওফিসলশিংনা মীয়ামদা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা আপিল তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, য়োসেমেটি নেসনেল পার্ক মনাক্তা চয়োল অনী হেন্না লাম্মৈ চাকখিবগী অতোপ্পা থৌদোক অমদসু একর ৪৮৫০ হেনবদা লৈরিবা উ ৱাশিং অমদি ষ্ট্রকচরশিং মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি।

## হেব্রোন সিটি মনাক্তা থাঙগী এটেক চথখিবা পলেষ্টিনিয়ন অমা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা হাৎখ্রে

রমালা, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্ককী খা থংবা হেব্রোন সিটি মনাক্তা ইজরেল্লি অমদা থাঙনা থিনখিবা পলেষ্টিনিয়ন অমা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেল্লি সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং খঙদবা পলেষ্টিনিয়ন নুপা অদু হেব্রোনগী নোংপোক্তা লৈরিবা সায়রি টাউনগা নক্নবা বৈট আইনুন জঙ্কসনদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা শিখিবনি হায়না মশক মমিং তাকথোক্তবা পলেষ্টিনিয়ন সোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টনা হায়, হেব্রোন সিটি মনাক্তা থাঙনা থিনখিবদা মশাদা অশোক অপন খরা নঙলবা মশাগী চহী ২০ শুরবা ইজরেল্লি নহা অমা জেরুসালেমগী হাদাসাহ ইন কারেম হোস্পিটালদা ট্রান্সফর তৌখি।


ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পলেষ্টিনিয়ন নুপা অদু বৈট আইনুন জঙ্কসনদা কার অমদগী কুমথরকখি অমসুং মহাক্না লোৎতুনা পুরকখিবা থাঙ অমা লৌথোরকখি অমদি মফম অদুদা লেপ্পুনা লৈরিবা ইজরেল্লি অমগী হকচাংগী মথক থংবা শরুক অমদি মায়দা থিনখি।

প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা ইজরেল্লি আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি থৌদোক থোকফমদা লৈরিবা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন এটেক্কর অদুদা নোংমৈনা কাপখি অমদি মহাক মফম অদুদা খুদক্তা শিখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা খোইরাং খোইশাওনরবা পলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেল্লি লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকখি। পলেষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেল্লি লান্মীশিং অদুদা নুঙনা থাজিনখি।

অমরোমদা, ইজরেল্লি লান্মীশিং অদুনা টিয়র গ্যাস অমসুং রব্বর বুলেট কাপ্পুনা পলেষ্টিনিয়নশিং তানখায়খি। হৌখিবা মার্চ ২২ দগী ইজরেলদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা ইজরেল্লি ১৮ শিখ্রে।

ওফিসল পলেষ্টিনিয়ন দেটাগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ গী জনুৱারীদগী ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমদা পলেষ্টিনিয়ন ৮০ হেন্না হাৎখ্রে।

/ দশা য়েংজরি




চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্নবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9

### ইয়াম্বা সুধাকরবু হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি




সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা মমিং লৈরবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর, হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোন, ঐবু চয়োল মরি লায়েংবীবদগী ঐগী ওই থংবা Renal Pelvis অমসুং Lower Ureter দা 7.1 mm অমগা 3.8 mm গা পূন্না নুঙ অনী লৈরম্বা অদু তাহনবীখ্রে মসিদা হরাওমন্দুনা ইয়াম্বা অসিবু পাউচেগী থোঙদা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Athokpam Bungo**
Nongada Awang Leikai

HL-P/4001/2,3,4

**/অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, শা-ঙা তোয়না চারগনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা খোঙ হাম্লকপা মতমদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা তৌরগা য়াম্না অৱাবা ওইবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ অকনবা হাম্লকপা মতমদা, অমাংথোঙ মনুংদগী তৎফম অমদি অমাংথোঙ মপানগী চেখায়ফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ অকনবা হামদ্রগদি কৈসু তৌদবা অমাংথোঙ চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু পুংখায়মুক অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা মচা অমা পোমথোরকপা, শা-ঙা তোয়না চারগনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, খোঙ তোয়না হাম্বা করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙগী অকোয়বদু হাক্কৎচরকপা, খোৎলুরগনা অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোকপা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :*
**S. Susila Devi**
Wangkhei

HL-B/7796/4